# কোনরাদ সংমানা অসামগী সিএম হিমন্ত বিস্ব শর্ম্মগী ক্লেম য়াখিদ্রে, মুক্রো মেঘালয়গী শরুক্নি হায়রি



শিল্লোং, মার্চ ২১ (এজেন্সি):
মেঘালয়গী চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা য়েৎনরিবা ইন্টর-ষ্টেট বোর্দরদা লৈবা মুক্রো ভিলেজ হিল ষ্টেট অসিগী শরুক অমনি হায়না ক্লেম তৌখ্রে।

অসামগী সিএম হিমন্ত বিস্ব শর্ম্মনা এসেমব্লিদা মুক্রো ভিলেজ মহাক্কী ষ্টেটকী শরুক অমনি হায়না ফোঙদোকখিবা মতুং চয়োল খরগী মনুংদা সংমানা ক্লেম অসি তৌখিবনি। হৌখিবা চহীদা মুক্রোদা থোকখিবা হাৎনা শুনবগী থৌদোক অমদা য়ামদ্রবদা মেঘালয়গী সিভিলিয়ন মঙা অমসুং অসামগী ফোরেষ্ট গার্দ অমা শিখি।

বোইস ওফ ড পিপলস পার্টি (ভি পি পি) গী এম এল এ অবদেল বেল নোংগ্রুম্না পুখৎলকখিবা সপ্লিমেন্টরি কেসন অমগী পাউখুম পীরদুনা সিএম সংমানা হায়খি, মদুদি বোর্দরগী ভিলেজ মুক্রোগী রেসিদেন্টশিংনা মেঘালয় গভর্ণমেন্টগী তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী বেনিফিসরিশিং ওইরি।

সংমানা এসেমব্লিদা হায়খি, মদুদি মুক্রো ভিলেজ মেঘালয়গী তৎন থানবা য়াদ্রবা শরুক অমনি হায়বসি ঐহাক্না য়াম্না ময়েক শেংনা হঞ্জিন হঞ্জিন ফোঙদোকখ্রে। লৈরিবা ফেক্টশিং অমসুং ফিগরশিংনা ভিলেজ অসি হিল ষ্টেট অসিগী শরুক্নি হায়বসি চপ চানা উৎলি। অতৈ ষ্টেটমেন্টশিং থোক্লখিবা লৈরবসু ঐখোয়গী ফিরেপ অসিদি ময়েক শেংনা লৈজে। সেন্সস কোর্টনসু মুক্রো অসি মেঘালয়গী ৱেষ্ট জেন্টিয়া হিলস দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈ হায়না য়াম্না নাখৈ শেংনা পল্লি।

সংমানা মখা তাখিবদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা মেঘালয় এসেমব্লি মীখলদা মুক্রোদসু মীখল অদুগী মনুং চন্না ভোট থাদনখি। ভিলেজ অসিগী পোল্লিং ষ্টেসন অনী লৈখি অমসুং মসি মোকায়ো কন্সটিট্যুএন্সিগী শরুক অমনি।

অমরোমদা, চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ কে সংমানা এসেমব্লিদা গভর্ণর ফাগু চৌহান ইংলিস পাবদা লিমিটেসন লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মেঘালয়গী গভর্ণরনা হিন্দি লোনদা হাউসতা ঙাঙখিবগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌদুনা ওপোজিসন ভোইস ওফ পিপলস পার্টি (ভি পি পি) গী লেজিসলেটরশিংনা হাউসতগী ৱারোল পীবদা সিএম সংমানা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ভি পি পিগী চীফ আর্দেন্ট বাসিয়ামোইদ অমসুং পার্টিগী অতৈ এম এল এ অহুম্না মখোয় গভর্ণরনা ঙাঙলিবদু করিমত্তা খঙদ্রে হায়রদুনা ৱার্ক আউট তৌখিবনি।

ভি পি পিগী লুচিংবা আর্দেন্টনা এসেমব্লিদা হায়খি, মদুদি হিন্দি লোন ঙাঙবা গভর্ণরশিং ঐখোয়দা থারকপদগী মখোয়না ঙাঙলিবশিং অদু ঐখোয়না খঙদবদগী ৱার্ক আউট অসি পাঙথোক্লিবনি। ঐখোয়না প্রোসিদিং অসিদা য়াওবা পামদে। গভর্ণরনা ময়াম্না খঙদবা লোন হিন্দিদা ঙাঙবদা ইকায়বা পীবনি হায়না লৌদবশিংনা মখা তানা হাউসতা ফমজরবসু ঐখোয়দি প্রোসিদিংস অসিদা য়াওবা পামদে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ফুরুপ অসিনা মতম পাদুনা লাকপা...

*লামায় ১গী মখা...* পারকপগী মথক্তা পনখিবা পুয়াশিংগীসু মতেং লৌরগা নুংগী থাচৎ কুমচৎপু পানগী কুমচৎতা পুথোক্তুনা চৎনরকখিবা মতম অসি ঙসিদগী মালিয়া কুমশিং ৩৪২০ অসিদগী পারগা চহী লিশীং ৫ রোমগী মমাঙদগী ওইগনি হায়না পানরি।

মালিয়া ফম্বাল চাগী চহীরোন ৩৪২০ অসিগী মমাঙদা ইনিংথৌ ঙাসাপনা পাবা হৌদোকখিবা ঙাসাপা শীংকক অসিনা হৌজিক ৩৬৪২নি। শাসাপা নিংথৌগী মমাঙদা চহী ৭০০ চৎখৎলগা মঙাং নিংথৌ পুন্সিবনা পানখিবগী ৱারী ফংলবা মরম্না ঙাশাপা শীংককনা চহী ৩৬৪২ ওইবনা মসিদা চহী ৭০০ তিনশিল্লবদি মঙাং নিংথৌ পুন্সিবনা পানখিবসি ফম্বাল তোংবদগী পারবদি হৌজিক চহী ৪৩৪২ ওইগনি হায়রি।

লিলা পাখংবনা চহী ৫০০গী মমাঙদা পাল্লম্বনি হায়বগী খুদম ফংবা হৌরক্লবা মরম্না লৈনুং লোনচা অলিপা অসি লৈনুং লোনচা পাখংবনি। লিলা পাখংবগী মতুংদা পাল্লকপা নিংথৌ ওইবনা মীতৈনা মতম পাবা হৌরকপা অসি চহী লিশীং ৫ রোমদি শুরে হায়বদা থোইনা চিংননীংঙাই ওইদ্রে হায়রি।

অসুম্না চহী হৌবা নুমিৎপু নোংদা লাইরেন পাখংবগী সনা হাক্তক্তগী চৈ পায়দুনা লৈকায়লাকপা মরিনা কুমজা তেকহৌনরে, থাচা নৌহৌনরে, শজিবু লাকয়েল তাহরে হায়দুনা মায়কৈ মরিমক্তা শগোল তোংলবা লাউদুনা চৎলি হায়বগী শজিবু চৈরাওবা (চৈরাওবা) হায়না খঙনরকখিবনি হায়রি।

লৈনুং লোনচা পাখংবগী মতমদা কংলা লৈথোং ফাৎলম্বা অদু নোংদা লাইরেন পাখংবা সনা হাক্তক্তগী ‘কুমশিং কুমলোন্নরে, থাচপু থালোন্নরে’ হায়বগীদমক্তা কোংবা লৈথোং ফাৎপা শজিবু লৈখুন তৌবগী থৌরম ওইনা কোংবদা লৈবা অঙোম পোকপগী লাইফম, নিংথেম পোকপগী লাইফম অনী অসিদা হোংলকখিবনি। ঙসি ফাওবা হোংবা লৈত্রি। কংলা লৈথোং ফাৎলম্বদগী কোংবা লৈথোং ফাৎলকপা অসিনা চহী ১৯৯০ রোম শুরক্লে। হায়রিবশিং অসি চৈরাওবা থৌরমগী তেনশিল্লবা হৌরকলোননি হায়রি।

চৈরাওবগী চাক থাবগী থবক অসি য়ূমথোঙ ১০০ রোমগী মনুংদা ৯৯ রোমদি লান্না লান্না থানবা থেংনরি। মরমদি লৈবাক শিনবা থুংনা অচুম্বা কাঙলোন অসি খঙহন্নবা হোৎনরবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনা য়ৌহনবা ঙমজ দবদগীনি হায়রি। অশেংবা কাঙলোনদি চাক্লুক অহুম থাগনি। চাক্লুক অহুম অসিগী মনুংদা য়েৎ থংবা লুকলেননা ইহান হান্না থাগনি মথংদা ময়ায় থংবা লুকলেন থারগা মথংদা ওই থংবা লুকলেন থাগনি। য়াইফরেল থৌনিবদি য়েৎতা কৎলিবা কুমসি চহীগী লুকলেন অসিনা কুমসি চহীবু পুরিবা লাই ‘কুমসনা কুমলিক লাই’ দা থৌনিগনি। মথংদা ‘লমশেনবা তুশেনবা’ লাইদা নীজগনি। অরোইবা ওইনা ওই থংবা লুকলেনগী ‘লমাবা তুমাবা’ লাইদা কৎচবনি। হাকুম চহীগী তেকচাক পুন্নমক ঙাকথোকপীবা লাইনি। কৎকদবা লৈনা কুমসি চহীগীনা কুম অনৌববু পীদুনা কৎলি হায়বগী কুম-পি-কুমপি-কুমপি লৈ হায়না কৌবা লৈ কৎকনি।

লাক্কদবা চহী নোংমৈগী কুমজাবু পুবা লাইদি লমশেনবা তুশেনবনা ওইবনা কুমসিগী কুম নুমিৎ মশীং শুরগা শাৎলক্কদবা লৈনি হায়দুনা কুমশু লৈ (কুশুম লৈ) হায়না থৈথরকপদগী কৌনরিবা লৈ অসি লাই অসিনা চিনবা মরম্না কুশুম লৈ কৎকনি। অরোইবদা হাকুমগী অরোইবা চহীগী লৈনি হায়দুনা লৈরি কৌরিবা লৈ অসিনা হাকুম চহীগী তেকচাক ফত্তবা হাওদিবা পুন্নমক ঙাকথোকপীরিবা লামাবা তুমাবা লাইনা চিল্লি হায়বগী লৈরি লৈ কৎচগনি। অসুম্না লাই অহুমগী মমিং, অহান, অকোন, লাংগদবা লৈগী মমিং, পুরিবা কুমজা অহুমগী লৈ মশক খঙলবদি য়াম্না লান্না পাঙথোক্লবদগী কোকপা ঙল্লগনি হায়রি।

চহী অমগী পুমলোই লোইবা থৌরমদি শীংথেক শীংথাবা-শীংশৎপা অসিনি হায়রদুনা অনৌবা চহীগী মনুংদা পুন্সি চেঙজেল লোইদ্রিঙৈদা শিগদবা-নাগদবা লমতা থাংজ পুন্নমক্তা শীংথেকখ্রবা লাইবক থীবা নংলগদবা মীওইশিং অদুবু লাইদা হায়জদুনা থাখিবা শীংশিং অদু শৎতোকহৌদুনা পুন্সি নুংশাংনা হিংজনবা মপুগী থৌগল শাংনা পাংজনবা তৌবা থৌরম্বু ‘শীংশৎপা’ হায়না হেন্না খঙনৈ। থৌরম অসি হৈবোক চীংগী থরোইলোক মরূদা অহিং নোংয়াই চবু লোনবদা পাঙথোক্তুনা লাক্লি হায়রি।

চহী অমগী ইহান হানবা থৌরমনা চৈথোবা হাপ্পা থৌরম অসিনি। মমাঙগী চৈথাবনা পুজরম্বা চহীদগী কুমসি চহীগী মতাও নৌনা চৈথোবা ওইগদৌরিবা অসিগী চহীনা হেন্না য়াইফবা, হেন্না ফবা ওইরসনু হায়দুনা য়াইফরোলগা লোয়ননা শিন্নবা থৌরম্বু চৈথোবা হাপ্পা থৌরম হায়না খঙনৈ। অঙাং অমা হেক পোক্লকপগা অপোকলোন হায়বদি পুন্সিগী হোরোস্কোপ অদুদা চহী অদুগী চৈথাবগী য়ুম্লাক, মিং লোইনা ইরিবনি।

মসি মতমবু য়াম্না মুন্না পাদুনা মৈতৈশিংনা থম্মী হায়বগী ময়েক লারবা খুদমনি। মালেম অসিদা অসুক ফজনা মতমবু অমসুং চহীবু, থাচৎপু পাদুনা চৎপদি অতৈ ফুরুপ অমত্তনসু তৌনদে। মৈতৈ খক্তগী তোপ তোপ্পা কাঙলোন হায়নসু মখা তারকখি। লোয়ননা চৈরাওবা নুমিৎতা ইরু শাদেংবা, থক্লবা ঈশিংদা য়ানশিনবা লাইথৌগী পোৎ পুন্নমক খিক্তোকপদা লাইথুং লায়না কোক্লিবা ঈশিং লৌফমনা খাখোং, লাইখোং, মালংখোং, পুন্সিলোক, পুন্সিখোং তাক্ল খা অমসুং নুংশেং ইকোননি হায়রি।

## ‘নাগা ইস্যু লৈখায় তাদবা অসিনা চাওখৎ খোঙথাংশিংদা খুরৌ থাংহল্লে’

দিমাপুর, মার্চ ২১ (এজেন্সি):
নাগা পোলিটিকেল ইস্যু লৈখায় তাদবা অসিনা মরম ওইদুনা ষ্টেট অসিনা চাওখৎ থৌরাংগী লম্বীশিংদা খুমাঙ চাওশিন্নবা হোৎনবদা অপনবা ওইদুনা লৈরে হায়না নাগালেন্দগী গভর্ণর লা গনেসন্না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্না ইস্যু অসি ইকায় খুম্ননিংঙাই ওইবা, মরী লৈনবা পুন্নমক্না য়ান্নগদবা অমদি ইনক্লুসিব ওইবা পিছ প্রোসেস অমগী খুথাংদা য়ারিমখৈ থুনা লৈখায় তাথোকপা মথৌ তাই হায়না গভর্ণরনা ফোঙদোকখি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কোহিমাদা ১৪ শুবা নাগালেন্দ লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী অহানবা সেসনগী অনীশুবা নুমিত্তা পীখিবা মহাক্কী অহানবা স্পিচতা গনেসন্না হায়খি, মদুদি ষ্টেট অদুদা মরা তপ্পা এটমোস্ফিয়র অমা লৈহন্নবা গভর্ণমেন্টগী লো এন্দ ওর্দর মেন্টেইন তৌবগী অচেৎপা পান্দম লৈ।

## শজিবু নোংমা পানবদা পন্থৌগী পাউজেল...

*লামায় ১গী মখা...* শজিবু নোংমা পানবা মৈতৈ ফুরুপকী চহী হৌবগী পাউজেলদা নুংঙাই-য়াইফবা, শিদ-নাদবা, ৱাৎত-পাদবা, চাকহোঙ-ঙাহোঙবা, তংদু-লৈতাবা ওইরসি হায়বগী পাউজেলগা লোয়ননা শজিবু নোংমা পানবা নুমিৎ অসি নোংপোক চীংঙু থোঙ মৈতৈ লাইকোন থলো সিপি লোক সেলোই লংমাই চীংদা লৈরিবা চীংঙু নোংপোক অহালবগী খুভমদা সলাই তরেৎকী ফিরাল লুৱাং পুংজা ২দা কৎকনি। শজিবু লাইকৌ লৈতাইবা থৌরম পাঙথোক্কনি। লৈতাইবা লোইরগা মীকোন থাগোনবা থৌশিল পাংগনি। মসিগী মতুং নুংথিলগী পুং ২দগীনা ৪ ফাওবদা অৱি হঙেন চোংদুনা লাইতাইনগনি। কুমজা ২০২৩ মৈতৈ ফুরুপকী অনৌবা চহী, চৈথাবা/চৈরাওবা, মৈতৈ লাইনীং নৌনা খুন্থোক্লক্তুনা চহী অনৌবা লাকপগী থৌরমনি। মৈতৈ ফুরুপকী অহিংবা মপোক শকখঙনরকপা য়ূমথোঙ খুদিংগী চৈরাওরকপা অসি অনী শুদে খঙনরকপসি মৈতৈ ঐখোয়গী মায়চৌ ৭না মোংফম থল্লমদনা কেকু লোৎখিবা ইপু ৭ হল্লকপগা পাংখকনি। মৈতৈ ফুরুপতি থাচৎ থবাননা নাওয়োল্লগা পোকপা, শিবা, হিংবা অহুমগী নায়োমনুংগী মতিক ময়াইগী মশকনি। মৈতৈগী থাচৎ থবানসি মীপোকলোনগী, খুন্থোকলোনগী নৱা অঙাংশিংদা ঈগী পামেল মউ লিংবা মনা পুঙবা ফুরুপ ওইরসি।

মৈতৈ ফুরুপকী মখোঙ অশেংবগী মশক ফোঙলকপা অসিনা অনম-অহা চুররোই। লাইনিংথৌদা অথেনপোৎ কৎতুনা চৈরাওরিবা য়ূমথোঙ খুদিংমক মৈতৈগী ৮শুবা মপোক্তা হল্লক্লবনি, মৈতৈ লৈবাক্তা হল্লক্লবনি। খুন-লাই, লাইরেম্বা-লাইরেম্বী অনীদা লোইপোৎ তম্মীনরসি। কৌব্রু, ৱাংব্রেন, মাজিং, থাংজিং, খ্বাই, য়াইস্কুল, ৱাংখৈ, খুরাই পানা মরিদসু লৈতাইনবা থৌরম শিল্লোন পাঙথোক্লসি। শিদবা মরু লিংনবা নুংঙাই য়াইফবা মনা পূঙবা ওইরসি। নোংদা লাইরেন পাখংবগী চাদা কংলা লাইফমলেন্না কোনবা মফমনি। শজিবু নোংমা পানবনা লাকপদা খুন্দা লৈতামিন্নরিবা পুন্নমক্না পূক্লিংগী ঈৱা অমসুং শকখঙনদুনা খুন্থোকলোন, হৌরকলোন তাইনদুনা হিংমিন্নরসি হায়নসু পন্থৌনা পাউজেল্লক্লি।

## নুপীনা হকচাংগী শরুকশিং খুমজিন্দুনা...

*লামায় ১গী মখা...* পোলোইদা অফবা ওইদে, ৱাই হায়খি। লোয়ননা মণিপুর অসি পীক্লবসু পীক্না অতোপ্পা লৈবাকশিংনা য়াম্না কিনরম্বা লমদম অমনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মপোক কুমওন থৌরমগী থৌরম মপু ওইখিবী সী এল কেগী প্রসিদেন্ট সী ঐচ পাকপিনা ফোঙদোকখিবদা ঙসি ফাওবদা সী এল কেনা নুপীশিংগী খক্তা নত্তনা লৈবাক্কী ওইবা ঈহৌ কয়াদা শরুক য়াদুনা লাক্লি। মসিদসু নত্তনা শেন্মীৎলোন্দসু মতেং পাংবগা লোয়ননা থৌদাং য়ারক্লি অমসুং মতুংদসু লেপ্তুনা য়াখিগনি হায়খি।

নুপীশিংগী ইকায়খুম্নবা মাঙহল্লকপা মতমদা থোকপা থৌদোকশিংদসু সী এল কেনা হকথেংননা য়েংশিন্দুনা লাকই। মখা তানসু লূপ অসিনা নুপীশিংগী মায়োক্তা চত্থরকপা ক্রাইমশিং অমসুং লৈবাক্কী ওইবা শেন্মীৎলোন য়াওনা ইস্যু কয়াদা শরুক য়াখিগনি হায়খি।

থৌরমগী অখন্নবা মীথুংলেন ওইখিবা নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনল এৱার্দি ঐচ ইবোতোম্বী খুমননা ফোঙদোকখিবদা সী এল কে হায়বসি লিংখৎত্রিঙৈগী মমাঙদা মাষ্টর তম্বা লোইরবীশিংনা ঐখোয়গী ইয়েক অসিগীদমক্তা ঈহৌ চঙশিন্দুনা ন্যু দেল্লীগী জন্তর মন্তরদগী ফাজিনখিবদা য়াওখিবশিং অদুনা লূপ অসি লিংখৎলক্তুনা লৈবাক্কী থৌগাই কয়া পুদুনা লাক্লিবনি হায়না শীংথারদুনা কুমজা ১৯৯৩দগী সী এল কে শাফোংলকখিবদগী ঙসিসু মীয়ামগী থবক থৌরমশিংদা লেপ্তুনা থৌদাং য়ারক্লি হায়খি। লোয়ননা সী এল কেনা লমদম অসিগী মীয়ামগী তুং কোইনা থৌদাং য়াবা ঙম্বা ওইরসনু হায়খি।

থৌরমগী মনুং চন্না লূপ অসিগী থৌপুবশিং অমদি পাউমীশিংদা ফাওবা অচম্বা লেংয়ান ফিশিং খুদোল তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।



ফিল্ম ফোরম মণিপুরনা শিন্দুনা ১১ শুবা মণিপুর ফিল্ম এৱার্দ ২০২৩ গী নোমিনিশিং লাউথোকপগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা মীফমদা শরুক য়াখিবশিং

## CROSSWORD-3820



### ACROSS

1. Dairy product(6)
4. Day nursery(6)
8. Regretting(5)
9. Lunacy(7)
10. Female ruler(7)
11. Sufficient(5)
12. True to life(9)
17. Small flock of game birds(5)
19. Dishonourable(7)
21. Taken for granted(7)
22. "La Traviata" composer(5)
23. Small(6)
24. Method(6)

### DOWN

1. Gents' hairdresser(6)
2. Away-day tourist(7)
3. Large bird of prey(5)
5. Glowing(7)
6. Move furtively(5)
7. Simpler(6)
9. Bewildered(9)
13. Appalling(7)
14. Floor show(7)
15. Scribble(6)
16. Gas used in balloons(6)
18. Call upon(5)
20. Manual worker(5)

**Solution 3819**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| O | I | L | Y | | S | H | O | U | L | D | E | R |
| U | | A | | F | | O | | N | | E | | E |
| T | U | M | B | L | E | R | | D | E | L | V | E |
| W | | B | | E | | S | | U | | I | | L |
| E | N | S | U | E | | E | N | E | R | G | Y | |
| I | | | | C | | C | | | | H | | B |
| G | O | L | D | E | N | H | A | M | S | T | E | R |
| H | | A | | | | E | | I | | | | U |
| | N | Y | L | O | N | S | | G | I | F | T | S |
| U | | E | | C | | T | | H | | A | | S |
| N | O | T | C | H | | N | O | T | A | B | L | E |
| D | | T | | R | | U | | Y | | L | | L |
| O | M | E | L | E | T | T | E | | L | E | S | S |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-5118

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 3 | | | 7 | | 8 | |
| | | | 4 | 3 | | 1 | | 7 |
| | 9 | | | | | | 3 | |
| | 1 | 9 | 2 | | | 4 | | |
| 6 | | | | | | | | 2 |
| | | 4 | | | 8 | 9 | 7 | |
| | 8 | | | | | | 2 | |
| 3 | | 7 | | 6 | 4 | | | |
| | 6 | | 7 | | | 8 | | |

### Solution-5117

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 4 | 8 | 1 | 5 | 9 | 6 | 2 | 7 |
| 2 | 9 | 5 | 6 | 7 | 8 | 3 | 4 | 1 |
| 1 | 7 | 6 | 2 | 3 | 4 | 8 | 5 | 9 |
| 9 | 8 | 4 | 3 | 6 | 1 | 5 | 7 | 2 |
| 6 | 2 | 7 | 9 | 8 | 5 | 1 | 3 | 4 |
| 5 | 3 | 1 | 7 | 4 | 2 | 9 | 6 | 8 |
| 8 | 6 | 3 | 4 | 9 | 7 | 2 | 1 | 5 |
| 4 | 1 | 9 | 5 | 2 | 6 | 7 | 8 | 3 |
| 7 | 5 | 2 | 8 | 1 | 3 | 4 | 9 | 6 |

## EMPLOYMENT NEWS

### SAINIK SCHOOL GOALPARA RECRUITMENT 2023 FOR PGT (MATHEMATICS)

Vacancy Circular No: -

Sainik School Goalpara PGT (Mathematics) Recruitment 2023 Advertisement for the post of PGT (Mathematics) in Sainik School Goalpara. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 31st March 2023. Candidates can check the latest Sainik School Goalpara Recruitment 2023 PGT (Mathematics) Vacancy 2023 details and apply online at the sainikschoolgoalpara.org/ recruitment 2023 page.
Sainik School Goalpara Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ sainikschoolgoalpara.org/. Sainik School Goalpara selection will be done on the basis of test/ interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of sainikschoolgoalpara.org/ recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
PGT (Mathematics)
Job Location:
Rajapara, Goalpara, 783133 Assam
Last Date: 31st March 2023
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 01 Posts
Educational Qualification:
(a) Post Graduate in Mathematics with a recognized degree in education or possessing equivalent degrees from the Regional College of Education.
(b) Qualified CTET/STET.
Pay Scale:
INR
47600/- Per Month
Age Limit: 21-40 Years.
Application Fee: please refer to official notification.
Selection Procedure: please refer to official notification.
How to Apply:
Application is to be submitted on prescribed proforma with a recent passport-size photograph giving full address and resume with contact number (compulsory), along with attested copies of mark sheets, other testimonials, and a demand draft for Rs. 1000/- (nonrefundable) drawn in favor of "Principal, Sainik School, Goalpara" payable at State Bank of India, Mornoi (Code No.9148)" (This Job Source is Employment News 11-17 March 2023, Page No.42).
Important Dates:
Published on: 10th March 2023
Last date for application is: 31st March 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### RIMS IMPHAL RECRUITMENT 2023 FOR 54 NURSING OFFICER

Vacancy Circular No: -

Regional Institute of Medical Sciences Imphal (RIMS Imphal) Nursing Officer Recruitment 2023
Advertisement for the post of Nursing Officer in Regional Institute of Medical Sciences Imphal (RIMS Imphal). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 28th March 2023. Candidates can check the latest Regional Institute of Medical Sciences Imphal (RIMS Imphal) Recruitment 2023 Nursing Officer Vacancy 2023 details and apply online at the aiimsrishikesh.edu.in/ recruitment 2023 page.
Regional Institute of Medical Sciences Imphal (RIMS Imphal) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ aiimsrishikesh.edu.in/. Regional Institute of Medical Sciences Imphal (RIMS Imphal) selection will be done on the basis of test/ interview and shortlisted candidates will be appointed at Manipur. More details of aiimsrishikesh.edu.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Nursing Officer
Job Location:
Lamphelpat, Imphal, 795004 Manipur
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 54 Posts
Educational Qualification: Candidates possessing at least PUC/ HSSLC or its equivalent qualification from a recognised University/ Board/Council and (ii) Diploma in General Nursing & Midwifery or equivalent qualification from a recognised Nursing school/Institute.
Pay Scale: INR Level-7 Per Month
Age Limit: 18-35 Years.
Application Fee: Bank draft of Rs. 500/- (Fees is exempted in respect of SC &ST categories) in favour of Director, RIMS, Imphal Payable at Imphal or Cash receipt from RIMS Cash counter.
Selection Procedure: please refer to official notification.
How to Apply:
please refer to official notification.
Important Dates:
Published on: 10th March 2023
Last date for application is: 28th March 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং :
হিয়াং অপাইবী

ইবা অমসুং য়েকপা :
সমসন সলাম

